# হীদাক কানরবা পাম্বীশিং ঃ ভুজাপত্র # ৩১৫

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

ভুজাপত্র নৎত্রগা ভুজপত্র হায়রিবা ময়ায় ওইরপ্না চাউবা উ পাম্বী অসি মণিপুরীশিংগা মরু ওইনা মৈতে নৎত্রগা মীতৈ ফুরুপকা শাগোন্নরক্লবা উ পাম্বী অমনি। ভুজাপত্র পাম্বী অসি ইংলিসতা হিমালয়ান বর্চ (Himalayan birch) নৎত্রগা ইন্দিয়ন বর্চ (Indian birch), হিন্দিদা ভোজপত্র নৎত্রগা ভুজপত্র নৎত্রগা ভুজীপত্র নৎত্রগা কাম ভুজ-শৌরি, সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *বেতুলা এলনোইদিজ* *(Betula alnoides Buch-Ham Ex. D. Don)* নৎত্রগা *বেতুলা এক্যুমিনাতা* *(Betula acuminata Wall.)* নৎত্রগা *বেতুলা এফীনিসি* *(Betula affinis (Spach) Endl.)* নৎত্রগা *বেতুলা সিলিন্দ্রোসতেক্যা* *Betula cylindrostachya Wall.)* নৎত্রগা *বেতুলা নিতিদা* *(Betula nitida D. Don)* নৎত্রগা *বেতুলাসতর এক্যুমিনাতা* *(Betulaster acuminata (Wall.) Spach)* নৎত্রগা *বেতুলাসতর এফীনিস* *(Betulaster affinis Spach)* নৎত্রগা *বেতুলাসতর নিতিদা* *(Betulaster nitida (D. Don) Spach)* হায়না কৌই অমসুং বেতুলেসী (Betulaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। হায়রিবা শাগৈ অসিগী মনুংদা জেনেরা ৬ অমসুং স্পিসিস ১০০গী মথক্তা লৈবগী পাউদমশিং লৈ। বেতুলেসী শাগৈদা চনবা অতোপ্পা য়াম্না মরু ওইবা পাম্বী অমা হায়রগদি ঐখোয়না য়ূম কৈ অমদি থোঙ-থোঙনাও চনবদা য়াম্না পাম্না অমদি পাক-শন্না শীজিন্নরিবা পরেং হায়বদি এলদর (Alder) নৎত্রগা নেপালিজ এলদর (Nepalese Alder) নৎত্রগা হিমালয়ান এলদর (Himalayan Alder) অদুগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *এলন্স নেপালেন্সিস* *(Alnus nepalensis D. Don.)* অসিনি।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না ভুজপত্র পাম্বী অসি ইন্দিয়া, নেপাল, ভুটান, কম্বোদিয়া, চাইনা, লাওস, ম্যান্মার, থাইলেন্দ অমসুং ভিয়েটনামগী মফমশিংদা মিটর ৩০০দগী ২,১০০গী মনুংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজে। অদুবু পাম্বী অসি হিমালয়গী মফম খরদা মিটর ২,৭০০ ৱাংবা মফমশিংদসু অদুমক হৌবা থেংনৈ। লৈঙাও তাবা খরা হোমতক তৌবা চীংগী লৈবাক-লৈশাদা ভুজপাত্র পাম্বী য়াম্না চুশিন্ননা হৌজরবসু নুংশা খরা চঙতক তৌবা চীংগী চীংচেপ্তা অদুমক মপূং ফানা হৌবা থেংনৈ। পাম্বী অসি খরা শারপ তৌবা সবট্রোপিকেলগী লমদমশিংদগীনা খরা ঈংলপ তৌবা টেম্পরেটকী লমদমশিং অমদি অঙৈং-অশাদা য়াম্না চুশিন্ননা হৌই। অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী অয়াম্বা মফমশিং মরু ওইনা মণিপুরদা ভুজাপত্র পাম্বী অসি নীংথিজনা হৌই। মেঘালয়াদসু পাম্বী অসি অদুমক মরাং কায়না হৌবা থেংনৈ। হিমাচল প্রদেশকী খরা নেমতক তৌবা মফমশিংদা ভুজাপত্র পাম্বী অসি য়াম্না মরাঙ কায়না হৌই হায়বগী পাউদমশিং লৈ। লৈবাক-লৈহাও ইচেন-চেন্দবা মফমদসু ভুজাপত্র পাম্বী অসি অদুমক নীংথিজনা হৌবা ঙম্মী। মরম অসিনা উ-ৱা নীংথিজনা হৌবা ঙমদ্রবা অমসুং উমং-ৱামং কোকথোকখ্রবা মফমশিংদা ভুজাপত্র পাম্বী অসি থাদুনা অমুক হন্না উমং শেমগৎপা য়াই। পাউদমশিংগী মতুংইন্না অৱাং থংবা থাইলেন্দগী মরূ কোক্লবা অমসুং মগুণ য়াম্না হন্থখ্রবা উমংশিংদা ভুজাপত্র পাম্বী থাদুনা অমুক হন্না অফবা উমংশিং শেমগৎখরে। ভুজাপত্র পাম্বী অসি দেসিদুঅস হায়বদি চহী অমগী মনুংদা মতম খরা মনা কেনগনবা অদুগা ফুট ১৩০ ফাওবা ৱাংবা ময়ায় ওইরপ্না চাউবা উ পাম্বীনি। পাম্বী অসি ওক্টোবর থাদগী জন্যুৱারী থা ফাওবগী মনুংদা অঙৌবা নৎত্রগা ঙৌরুনবা মচুগী লৈশিং চবুন-চবুন ওইনা শাৎলি অদুগা মে থা ফাওবগী মনুংদা অকুপ্পা মরূশিং অদু মপূং-মরৈ ফাই। ভুজাপত্র পাম্বী অসি মপূং মরৈ ফানা চাওখ্রবা অমদি লৈ শাৎপা হৌখ্রবদি উচেক অমসুং শেকপীগী মতেংনা থুনা অকোয়বদা শন্দোকহনখিবা ঙম্মী।

ভুজাপত্র পাম্বী অসি মীওইবনা মখল মখা কয়াগী হীরমদা শীজিন্নৈ। হিন্দুশিংনা ভুজাপত্র পাম্বী অসি অশেংবা উ পাম্বী অমনি হায়না লৌনৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি ভুজাপত্র উগী মকু (বার্ক) অদুগী চেগুম্না পাত্রিক পাবা মরোলশিং অদু শেৎলগা মপ্রাম অদুদা লাইশোন-তিনশোন অমসুং লাইশোন ময়েকশিং ইদুনা কোনশিল্লগা নৎত্রগা থুপচিল্লগা যন্ত্রগী মনুংদা হাপ্লগা যন্ত্র অদু লংগী মতেংনা ঙক নৎত্রগা পাম্বোম নৎত্রগা খ্বাংদা শীবদা মীশক অদু ফত্তবা তীনমু-লাইমু, অনা-অয়েক অমসুং ফত্তবা মীওইশিংনা হীকাপ-য়াইকাপ তৌরকপদু ঙাকথোকপা ঙম্বগী মথক্তা যন্ত্র অদুবু শীরিবা মীওই অদু য়াইফ-নুংঙাইবা অমসুং পুন্সি নুংশাংহল্লি হায়না থাজনদুনা শীজিন্নৈ। হায়রিবা মওং অসিগুম্না হিন্দু লাইনীং চৎপা মীওইশিংনা শীজিন্নৈ। ভুজাপত্র পাম্বী অসি হিন্দুশিংনা অশেংবা পাম্বী অমনি হায়না লৌনবা মরম্না থক্লবা ঈশিংদা পাম্বী অসিগী উগী মকু অদু পীক্না কক্লগা পুং ১-২দং তীংলগা ঈশিং অদু চুমথোক্লগা থকপদা মীওই অদুদা লৈরম্বা অনা-অয়েকশিং অদু কোকহনবগী মথক্তা য়াইফবা অমসুং পুন্সি নুংশাংহনবা ঙম্মী হায়না থাজদুনা থক্লে। ভুজাপত্র উগী মকু অদু মখল কয়াগী চে শাবদা পাম্না শীজিন্নৈ। ভুজাপত্র পাম্বীগী উ অসি মহুৎ কূপ্পা অমসুং ময়ায় ওইরপ্না কনবা মরম্না য়ূম-কৈ শাবা, উপু-কাংথোল চনবা অমসুং অতোপ্পা উগী পোৎলমশিং শাবদা শীজিন্নৈ। হায়রিবা উ অসি শুম (তরমাইট) চাগন্দে অমসুং মতম শাংনা চৎলি। ভুজাপত্র পাম্বীগী উ অসি শীং (ফায়র ৱূদ) কী মগুণসু শীংথানীংঙাই ওইনা য়াওই। চিঞ্জাক ওইনা ভুজাপত্র পাম্বীগী উগী মকুগী মনুং থংবা শরুক (ইন্নর বার্ক) অদু মচেৎ-মচেৎ শেৎলগা নুংশাদা ফজনা কংহল্লগা কুপ্না তকখায়রগা লৌবা মকুপ অদু য়ামগা তোৎনরগা শেম্বা তল অমসুং কেকশিং অদু য়াম্না মহাও লৈ অমসুং পাম্না চানৈ।

পাউদম অমগী মতুংইন্না ভুজাপত্রগী নৌতক তৌবা উগী মকু অদু থক্লবা ঈশিং হেন্না লুহনবা অমদি মহীক মতাই য়াওরম্বশিং হাৎনবা হাপ্তুনা শীজিন্নৈ। হীদাক ওইনা ভুজাপত্র পাম্বীগী উগী মকু অদু ফজনা শুগাইরগা শেম্বা অনঙ্বা মোলোম অদু তৈবা অমসুং মপং অদু থোল্লগা বেন্দেজনা য়েৎশিনবদা লিননা চিকপদা হূ অদু চিংথোকহনবা ঙম্মী হায়দুনা য়াম্না কুইরবা মতমদগী শীজিন্নরক্লি। শরূ তেকপা অসিদা ভুজাপত্র পাম্বীগী নৌতক তৌবা উগী মকু অদু শুগাইরগা থোল্লগা বেন্দেজনা য়েৎশিন্দুনা শরূ তেকপা শম্বগী লায়েং অসি চখবগী পাউদমশিং লৈ। ভুজাপত্র উগী মকু অদু মৈ থারগা লৌবা উৎ অদুগা য়ুবী থাওগা তোৎনরগা শেম্বা মোলোম অদু মখল কয়াগী উনশাগী লায়নাশিংদা কান্নবগী পাউদমসু লৈ। ভুজাপত্রগী উ মকু মৈ থাবদা তীল-কাং ইন্দে হায়নসু শীজিন্নৈ। ●

## ষ্টেটকী পাউ

## লাইশোম বোনিনা থম্বাল কেম্প্যেন হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ১২ (ঐচএনএস):
কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী মীখলদা কৈশামথোং এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিদা বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা লাইশোম সন্তোশ এলিয়স বোনিনা ঙসি বি জে পিগী থম্বাল কেম্প্যেন হৌদোকখ্রে। থম্বাল কেম্প্যেন অদু লাইশোম সন্তোশ এলিয়স বোনিনা মহাক্কী ৱার্করশিংগা লোয়নননা হৌদোকখিবনি।



কেম্প্যেন অসি হৌদোকপগা মরী লৈননা বি জে পিগী মীরেপ ওইননবা থৌরাং তৌরিবা লাইশোম সন্তোশ এলিয়স বোনিনা হায়খি, লাক্লিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লগী মীখল অসিগা মরী লৈননা বি জে পিগী ওইবা থম্বাল কেম্প্যেন পার্টিগী লুচিংবশিংনা হৌদোকখ্রবা মতুংদা ঙসি কৈশামথোং এ সীদসু মহাক্না লুচিংদুনা কেম্প্যেন অসি হৌদোকপনি। লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মীৎয়েং মখাদা লমদম অসিদা মীয়ামগী পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংশিং অসিনা মরম ওইরগা বি জে পিদা মীয়ামগী থাজবা নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদসু বি জে পিগী মীরেপ ৪০গী মথক্তা মায় পাক্তুনা ষ্টেট অসিদা বি জে পিগী লৈঙাক শুংশোয় শোয়দনা লাক্কনি। কৈশামথোং এ সীগী ওইনসু বি জে পিগী মীহুৎ অমা ওইনা চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরম কয়া পায়খৎনবা হোৎনজগে। মসিগীদমক মীয়াম্না মীখল অসিদা মায় পাকহনবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## এমটুকনা অঙ্গনৱাদি ৱর্করশিংগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেটতা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ১২ (ঐচএনএস):
ওল মণিপুর ট্রেদ য়ুনিয়ন কাওন্সিল (এমটুক)না অঙ্গনৱাদি ৱর্করশিংগী মতাংদা লেবরগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট রামেশ্বর টেলিদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে হায়না এমটুককী প্রসিদেন্ট টি তিকেন্দ্রজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, অনওর্গনাইজ ৱর্করশিংদা সোসিএল সিক্যুরিটি ফংহন্নবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলকপা খ্বাইদগী শীংথানিংঙাই ঈ-শ্রম কার্দ শাবগী শরুক অমা ওইনা ঙসি মণিপুর লৈঙাক্কী লেবর দিপার্টমেন্টনা থৌবু ওইদুনা হোটেল ইম্ফাল সঙাই হোলদা পাঙথোকখিবা ঈ-শ্রম কার্দ য়েন্থোকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা লেবরগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট রামেশ্বর টেলিদা ওল মণিপুর ট্রেদ য়ুনিয়ন কাওন্সিলদা এফিলিএট তৌবা অঙ্গনৱাদি ৱর্করস এন্দ হেল্পর্স য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট কোন্সম তিলোতমা অমদি কব্রাবম তান্সেনিনা লুচিংবা টিম অমনা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা তকশিনখিবনি।

ঙসি পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা স্পেসল ষ্টেট ওফিস ইমপ্লোয়ী প্রোভিদেন্ট ফন্দ ওফিস অসি রিজনেল ওফিস ওন্থোকপীননবা, অঙ্গনৱাদি ৱর্করশিং অমদি হেল্পরশিংবু মিনিমম ৱেজেজ ফংহনবিনবা, ঈ এস আই সী অঙ্গনৱাদি ৱর্কর, হেল্পরশিংদা কোভর তৌহনবীনবা অমসুং মিনি অঙ্গনৱাদিশিং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী সোসল সিক্যুরিটি ফংহন্নবা ঈ-শ্রম কার্দ অসি খোঙলৈ থুনা ফংহনবীনবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা লেবর দিপার্টমেন্টতা কোওশপরেসন পীদুনা হোৎনবীয়ু। লোয়ননা চাং নাইনা মতম চানা অঙ্গনৱাদি ৱর্কর, হেল্পরশিংগী ওনররিয়ম পীথোকপীনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়বনচিংবা ৱাফম কয়া মেমোরেন্দম অদুদা পনখি।

থৌরম অদুদা ওল মণিপুর ট্রেদ য়ুনিয়ন কাওন্সিলগী প্রসিদেন্ট থোংবম তিকেন্দ্রজিৎনা লুচিংবা এমটুকতা এফিলিএসন তৌবা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা ট্রেদ য়ুনিয়ন ২৭ হেনবগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি। লোয়ননা পাঙথোকখিবা থৌরম অসি অনওর্গনাইজ ৱর্করশিংগীদি পুৱারী ওইহৌরগদবা থৌরম অমনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ময়াং ইম্ফাল এ সীদা বি জে পিগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্ননবা খন্নখ্রে

ইম্ফাল, নভেম্বর ১২ (ঐচএনএস):
লাক্লিবা কুমজা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কনি হায়না পানরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী মীখলদা ময়াং ইম্ফাল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইগদৌরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী দেপ্যুটি স্পিকরসু ওইরিবা কোংখাম রোবিন্দ্রোবু অমুক হন্না মায় পাকহন্ননবা অমদি ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্ননবা এ সী অসিগী মনুংদা লৈবা গ্রাম পঞ্চায়ট অহুমগী প্রধানশিং য়াওনা পুন্না মীফম অমা পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে।

মীফম অদুদা ফৌবাকচাও সেকমাইজিন জি পিগী প্রধান থোঙাম সোমোলা, লফুপাৎ তেরা কোল্লাখোং জি পিগী প্রধান নিংথৌজম বসন্ত, উচিৱা জি পিগী প্রধান হৈক্রুজম ইন্দ্রজিৎ, ৱার্দ মেম্বরশিং অমদি দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রোগী অপোকপা সোসল ৱার্কর কোংখাম মংলেমসু শরুক য়াখি।

মীফম অদুনা ময়াং ইম্ফাল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সীদা বি জে পিগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্ননবগীদমক পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা কুপ্না খন্নবগা লোয়ননা লাক্লিবা এসেমব্লী মীখলদা কোংখাম রোবিন্দ্রোবু অমুক হন্না মায় পাকহন্ননবা অমত্তা ওইনা শৌগৎপা হায়নসু লেপ্পখি হায়রি।

## প্রপোজেল কৌরি

ইম্ফাল, নভেম্বর ১২ (ঐচএনএস):
মণিপুরগী খুঙ্গংগী নহারোলশিংবু স্কিল ট্রেনিং পীগদবা স্কিল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগা মরী লৈনবা প্রোজেক্টশিং দীন দয়াল উপাধ্যয়া গ্রামীন কৌশলায়া য়োজনা (দি দি য়ু-জি কে ৱাই)গী মখাদা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবগীদমক মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদস মিসন (এম এস আর এল এম)না প্রোজেক্ট ইমপ্লিমেন্টিং এজেন্সী (পি আই এ) শিংদগী প্রপোজেল কৌরি। অপাম্বা এজেন্সীশিংনা এম ও আর দিনা পিস্ক্রাইভ তৌবা ফোর্মেটতা মখোয়গী প্রপোজেলশিং ৱেবসাইট "erp.ddugky.info" দা রিফন্দ তৌবা য়ারোইবা ফী লুপা ২৫,০০০গা লোয়ননা সবমিট তৌগদবনি হায়না এম এস আর এল এমগী দাইরেক্টর ৱাই রোবিতানা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নভেম্বর ১২ (ঐচএনএস):
খ্বাইরম্বন্দ নুপী কৈথেল শিনফম অমদি শক্তম কনবা লূপকী লুচিংবী খ্বাইরাকপম মঙ্গিনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ইরৈপাক ইনাৎ চনুরা লোয়নশিল্লোল (ঈচল)গী এগজি ক্যুটিভকী মীফম অমা ফমদুনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না ঈচলগী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি এস শিলহেনবীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লৈখিদ্রবী ইমা মঙ্গীগী থৱায়না মপুগী মনাক্তা ঈংনা চিক্না লৈরুনবা থৌনিজবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি। ইমানা লৈখিদবসি লমদমসিগী মেনখৎপা ঙম্লরোইদবা অৱাৎপা অমা লৈহৌরগনি।

অমরোমদা, কংলৈপাক লমজিং অপূনবা মৈরা লূপ (কংলামৈ)গী প্রসিদেন্ট লৈরিক লৈমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল শিনফম অমদি শক্তম কনবা লূপকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বী খ্বাইরাকপম মঙ্গি লৈমনা লৈখিদবদা লূপ অসিগী থৌমীশিংনা মিনিট অহুম তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক্কী ইস্যু কয়াদা মাঙজিল থারকখিবী কে ঐচ মঙ্গি লৈমনা লৈখিদবা অসি লৈবাক মীয়ামগী অচৌবা অহোবা অমা লৈহৌরগনি। লৈখিদ্রবীগী থৱায়না শিদবা মপুগী মনাক্তা ঈংনা চিক্না লৈরুনবা থৌনিজরি। লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু লূপ অসিনা শরুক য়াজরি হায়রি।

OFFICE OF
THE GEETANJALI INVESTMENT
M.G. Avenue, Imphal

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE
The 10th Nov., 2021

Notice is hereby made for residents of Imphal West having daily income (either through business or otherwise) and who intend to get business loan from the **GEETANJALI INVESTMENT that they can apply for business loan from the GEETANJALI INVESTMENT during office hours w.e.f. 15th Nov., 2021 from the office of the GEETANJALI INVESTMENT.**

**Contact Nos. 7005889489 / 7005597987**

**Sd/- Rajkumari Geetasana Devi**
Manager, GEETANJALI INVETMENT
HL-P/0623/13

MANIPUR UNIVERSITY

ꯇꯦꯟꯗꯔ ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / TENDER NOTICE
Dated 12th November, 2021

**No. MU/14/PC/ICMR-129/2020-02 :** Manipur University invites sealed tenders from firms for supply of Consumable items. Terms & Conditions for submitting the bids can be downloaded from the website www.manipuruniv.ac.in.

**Sd/- Purchase Officer**
**Manipur University**
**Canchipur**
HL-B/7278/13

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR
OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE FOR OBJECTION
Imphal, the 12th November, 2021

**No.Prop/SR/IW/2021:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"Environmental Protection Society"** address as Awang Sekmai, Imphal West on 11/11/2021 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "**Awang Sekmai only**".

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/ Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/ NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/ hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained. **(Further you can contact 7005476625 for any objection/quarry)**

*Sd/-* **I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West
HL-P/0621/13

ꯌꯥꯊꯪ / ORDERS
Imphal, the 9th November, 2021

No. 400/98/Survey/(Kak)/2021-DSLR : In reference of Government of Manipur, Directorate of Settlement & Land Records, Manipur, No.4/69/87-DSLR (Vol-IV)2018(pt) dated 6th January, 2020 and in continuation of this office read with Director, DSLR, Manipur, the following SK, Mandols and Chainman the work of survey of land (traverse/cadastral) survey and settlement of the village No. 84(A)-Pumlenpat, Kakching District which will commence from 20th November, 2021.

| Sl.No. | Name of Persons | Ramark |
|---|---|---|
| 1 | Y. Subol Singh | SK |
| 2 | W. Beigya Singh | Mandol |
| 3 | Sh. Kalachand Singh | Mandol |
| 4 | Md Zakhir | Mandol |
| 5 | G. Gaidinrei | Mandol |
| 6 | Y. Rajen Meitei | Chainman (L) |
| 7 | W. Jagatchandra Singh | Chainman (L) |
| 8 | N. Prakash Singh | Chainman (L) |
| 9 | Kh. Nikol Singh | Chainman (L) |
| 10 | | Chainman (L) |

The should start the work of Survey work from 20th November, 2021 till the completion of the work.

Sd/- **K. Niranjan Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer VIII
HL-P/0619/13

OFFICE OF THE
IMPHAL URBAN DEVELOPMENT FINANCE (IUDF)
KAKWA BAZAR (SYRIA SCHOOL BUILDING)

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE

State Govt. গী মখাদা সর্ভিস তৌবা regular civil employee শিংগীদমক্তা Service Loan অমসুং Pension Loan Form থাজরি। Monthly interest 1.5% & 2% নি। অকুপ্পা মরোল Office hour মতমদা লাক্লগা তান্নবীয়ু। Office hour : 11 A.M. to 3 P.M. Contact No. 9612275238, Note : Manipur Commercial Dev. (B.T. Road) Imphal গী Office Kakwa Bazar দা হোংজরে।

**Sd/-**
**Manager (IUDF)**
HL-P/0604/11,12,13

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IMPHAL WEST (SOUTH), MAYANG IMPHAL
**Ref. Mutation Case No. 163/SDC/I.W. (S) of 2021**

1. Waikhom Ibocha Singh S/o (L) Yaima of Thongam .52 Acres
2. Waikhom Naoba Singh S/o (L) Manihar of Thongam .52 Acres
3. Mayengbam (O) Memma Devi D/o (L) Khomdon of Thongam .52 Acres
4. Angom (O) Punimashi Devi W/o (L) Boskumar of Thongam .52 Acres

-Vs-

1. (L) Waikhom Yaima Singh S/o (L) Tonsana of Thongam
2. Late Waikhom Manihar Singh S/o (L) Rabei of Thongam
3. (L) Khuraijam Khomdon S/o (L) Panchamani of Thongam
4. (L) Angom Rajmani S/o (L) Tomba of Thongam

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE
Mayang Imphal, the 2/11/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি, মদুদি Under Patta No. 95 (N) Dag No. 83 গী area 2.60 একর চাউবা Taothabi ক্লাস, Village No. 71-Thongam, অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরমদুনা হায়রিবা এরিয়া 2.60 একর অসি Petitioner ঐখোয়গী/ঐহাক্কী মিংদা ওনশিনবিরো হায়দুনা SDC/IW (S) Mayang Imphal গী Court তা দরখাষ্ট থারক্লে। পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি, খবর অসিনা হেক ফোঙবা নুমিৎতী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি শুবা ফাওবগী মনুংদা SDC/ IW (S) Mayang Imphal গী Court তা অইবা চেদা Complaint ওইনা য়েৎপীরগদবনি। হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলদ্রবদি Case মখা চত্তরগনি, মতুংদা লাকপা আপতি লৌরোই।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Imphal West (South), Mayang Imphal
HL-P/9559/12

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE FOR WELFARE OF OTHER BACKWARD CLASSES & SCs
1st FLOOR, SOUTH BLOCK, SECURED OFFICE COMPLEX, A T. LINE, MANIPUR

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ ꯂꯃꯥꯏ / NOTIFICATION
Imphal, the 11th November, 2021

**No. A/PM-2/OBC-2020/757:** In continuation of this Directorate's Notification of even no. dated 22nd October, 2021, it is hereby informed to all concerned that the Bank Account Validation of another 854 students under SC Post Matric Scholarship, OBC Pre Matric Scholarship and OBC Post Matric Scholarship Scheme for the 2019-20 (remaining part) and 2020-21 have failed on PFMS as per the details given below:

| SL No. | Scholarship Scheme | PFMS Bank Validation 2 |
|---|---|---|
| 1 | OBC Post-Matric 2019-20 (remaining part) | 6 |
| 2 | OBC Post-Matric 2020-21 | 634 |
| 3 | OBC Pre- Matric 2020-21 | 2 |
| 5 | SC Post- Matric 2020-21 | 212 |
| | Total | 854 |

2. List of the above students is made available on this Directorate's Website www.manipurobcsc.gov.in. Concerned students are therefore, advised to submit a clear copy of their Bank Passbook/Cancelled Cheque along with their registration ID and Aadhar to this Directorate on or before 20th November, 2021. Complaints/claims received after the last date will not be entertained.

Sd/- Ng. Bhogendra Meitei
Director (OBCs & SCs)
Manipur.
HL-B/7277/13

OFFICE OF THE
CORE COMMITTEE OF SALAI AND SALAI INVESTOR
M.G. Avenue, Opp. Nirmalabas School, Imphal West, Manipur

ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ / NOTICE (খঙহঞ্জবা)

খুরুমজরিবা,

ইকায় খুম্নবদা মতিক চারবা SALAI GROUP OF COMPANIES/SMART Society গী Members, Share Holders, Promoters, Investors শিংগী মফমদা করিগুম্বা খরদং নীংশিংজরি মদুদি Members, Share Holders, Promoters, Investors শিংনা "Claim Form" অমমম লৌবিদুনা নীংথিনা য়েংবীরবা মতুংদা মেনশিনবীদুনা "Claim Form" অদু Office তা থাজিনবীনবা হায়জরি। "Claim Form" অদুদা য়াওরক্কদবা Documents খূদিংমক Photo Copy লৌবিরগা Self Attested তৌবিগদবনি। ইশাগী Identity (শকতাক চে/Aadhar Card, Voter ID, Driving Licence) অমা য়াওবিগদবনি।

Claim Form থাজিনখ্রবা অমদি Verified তৌরবা Members, Share Holders, Promoters, Investors শিংগী Contact Number দা পাউ পীজরক্কনি। লোইননা লাকপিবা মতমদা ইশাগী Original Documents শিং অদু লোইনবিরক্কদবনি।

SALAI GROUP OF COMPANIES/SMART Society/SALAI Financial Service/SALAI Land Development and Agricultural and Allied Activities Cooperative Credit Society Limited দগী Loan ওইনা লৌখিবশিংনা অথুবা মতমদা শিংদোকপীদুনা মীয়ামগী অৱাবা অসি কোক্লবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু।

Investor শিংনা লনাই ওইনা SALAI গী BOD নৎত্রগা Executive শিংদা শেল থৌবা তোকপীরগা Core Committee দা ওইনা পাউ পীবিদুনা পূন্না হোৎনমিন্নবা নোল্লুক্না খঙহঞ্জরি।

করিগুম্বা Member, Share Holders, Promoters, Investors শিংনা লৈখিদবা থোক্লবদি Nominee না Declaration অমা থাজিনবীরকউ। করিগুম্বা Passbook ফংদবা লৈরগদি, Receipt অদুগী Photo Copy অমা থাজিনবিরক্কদবনি।

থবক থৌরমশিং অসি তৌরকপা মতমদা পূম্নমক্না মতেং পাংবিদুনা অৱাবা অসিদগী খরদং ওইরবসু কোকমিন্নবা হোৎনমিন্নসি। মতম কুইনা ৱামিন্নরক্লবা SALAI গী Members, Share Holders, Promoters, Investors শিংবু Core Committee গী মায়কৈদগী থম্মোয় শেংনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। Members, Share Holders, Promoters, Investors শিংগী Cooperation না SALAI অমুক হন্না য়াকাইরকপা ঙমজবনি।

| | | |
|---|---|---|
| Claim Form ফংফম | ঃ | SALAI Office, Tera Sapam Leirak, Imphal, Manipur |
| Claim Form থাজিনফম | ঃ | 1. M.G. Avenue, Imphal West, Manipur<br>2. SALAI Office, Tera Sapam Leirak, Imphal, Manipur |
| Claim Form লৌবগী অমদি থাজিনবগী মতম | ঃ | 17th November 2021 to 30th December 2021<br>10.00 am to 2.00 pm |

অকুপ্পা ৱারোল খঙনিংলবসু মথক্তা পঞ্জরিবা Office অনি অসিদগী খঙবীবা য়াগনি।

Sd/- **Convenor**
Core Committee of SALAI and SALAI Investor
HL-P/608/11,13,15